# নুংশিবগী শক্তমদি কংখোকপানি "ঈফুৎ"

ইমুং অমা নুংশিননা লৈমিন্নবা ঙমদ্রিবসি করিদগীনো? মতৌ করম্না ইংনা চিক্লা নুংশি চাননা লৈবা য়ুম্বাল অমা হায়বদু ওইবা য়াগদগে হায়বা ৱাহং অমদগী পাউখুম পীরি রুপমহল থিএটরগী "ঈফুৎ" না।

সুরজিৎ অচোমগী ষ্টোরিদা বিশ্বমিট্রনা দাইরেক্সন পীবা ড্রামানি "ঈফুৎ" । হায়রিবা ড্রামা অসি ইমুং মনুংগী ওইবা ৱারিদা য়ুমফম ওইবা ৱারিনি। বিরেন য়ুমদুগী অহলনি। জিরি নিঙোল থাজমাম্বীগা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদমিন্নখি। মখোয় অনীগী মমিত্তা মপু মানা মচা হায়বদু উহনবীখিদে। বিরেন লাইরিক লাইশু হৈবা, পুকচেল চাওবা, মী অমা ওইবগী চৎনবী খঙনা চৎপা, নুপা অমা ওইবগী তৌফম থোকপা মথৌ খঙনা তৌবা অমদি সরকারগী থবক তৌবা মী অমনি। মহাক্কী লোইনবীসু য়ুমগী মৌ অমা ওইবগী মগুন লৈবী নুপীনি। মখোয় অনী মমিত্তা মচা উবা ফঙদ্রবসু মখা তাবা মনাও থিরেনগী মচাবু মচাদা মচাগুম্না খনজখি।

থিরেনসু ময়াম্বদা চেল্লিবা মগুণদুগা থোইনা খেৎনদে। খেৎনরিবা হায়ববু, শেল পীজরগা সারকারগী থবক তৌবা পামদবদগী শেম্থোক লম্বী লৈতবসিনি। মরম অদুনা নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদগী হৌরকপী মহাক্কী নুপী লতাসনা তুংগী খল্লগা মহাক্কী মপুরোইববু সরকারগী থবক অমা তৌহন্নিংখি। মরম অদুনা সরকারগী থবক ফঙনবা হোৎনবদা অহল লমন্না থম্বীরম্বা ইংখোলদগী শরুক খরা য়োম্থোক্লগা থবক লৈবা পামখি। মহাক অমদি মপুরোইবা অনীগী ৱাখল খেৎনবনা মরম ওইরগা ঙাইহাক লৈতনা খৎনবা হায়বদু ওইখি।

য়ুমদুগী মীওইশিংনা মনাওদা মনাওগুম্না য়াম্না নুংশিনা লোইনবা, হোৎনবা কনবা থোইবা কৌবা অমনা মতম লৈবা খিবিত্তগা য়ুম অদুগী অৱা–অনা কয়াদা মতেং পাংখি। য়ুম অদুগী নিংঙোল লোইদাংশাগৈ ওনখ্রবসু, য়ুম অদুগী অৱা–নুংঙাইদা শরুক য়াখি।

য়ুম অদুগী মৌ অমা ওইনা লৈরিবা লতাসানা করি পাম্বগে, করি খল্লিবগে হায়বা ইমুং অদুদা লৈবা মীপুম খুদিংম্না খঙদবা নত্তে।

নোংমা থাজমাম্বী মপাম জিরিদা অনাবা অমা য়াওবদগী তঙাই ফদনা চৎখিবা মতমদা মহাক্কী মপুরোইবা খুদোংথিবা অমদগী হোস্পিটালদা পুখৎখি। য়ুমগী অৱা –অনাদা মতেং ওইনবা শেল লৈতে হায়রম্বা লৈসনানা কনা খঙহনদা মীঙোলদগী শেল পুরমখি। মখুরা থিকদার কান্তোনা তৌবা থিকাদা শেল থাদখি।

বিরেন শোইনাইবা মীশক অমা হায়বদু ওইখি। য়ুমদা পুথরবা মতুং থোইবনা পোকমিন্নবা ময়াম্বগুম্না মতম লৈবা খিবিক্তা সেবা তৌজখি। নাকল অমরোমদা লৈস্না মহাক্কী অনিংবদুদগী অহোংবা লৈতবনা ঙাইহাক লৈতনা মপুরোইবগা খৎনৈ, চৈনৈ, নোংমদি শাওনবা অমদগী লৈস্না মপামদা লৈখি। থাজমাম্বী মপুরোইবগী অনীংবা অপাম্বা খঙনা ইমুং অদুবু কদায়দা করি শোইখিগদগে হায়না কন্না হোৎনজে। মনাওনুপীবু থেমদুনা য়ুমদা পুরক্নবা হোৎনখি।

লৈস্নাগী মখুরা থিকা তৌবগী নমাদা নম্বর ফোর কাবার তৌবা মীশক অমা ওইরমখি। বিরেন তঙাই ফদনা মীরমদা লায়েংবা চৎপা তারকখি। চৎলমদাই মতমনা নকশিল্লক্লবা মতমদা লৈস্নাগী মখুরা কান্তো পোৎকা লোয়ননা পুলিসনা ফাবদগী লৈস্নাসু চেন্নরমখি। অদুবু থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈস্নাদি তশেংনা খঙবদি নত্তে। হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈস্না মোরে পুলিসতা মপুরোইবগা চৎপা তাখি।

থিরেন অমদি মহাক্কী নুপী লৈস্নানা য়ুম য়ৌরকপা মতমদা ময়াম্বা অমদি মতৈমা চৎখিরম্বনা উনবা ফঙহৌখিদে।

বিরেন্না চৎত্রিঙৈগী মাংওইননা মহাক্লা তৌরিবা সরকারগী থবক অদুগী নোমিনি থোইবদা পনশিনবিবতা নত্তনা থবক্কী ওদর ফাওবা থোকহনবীরমখি। লোয়ননা বিরেন মশাগী ইংখোল শরুক্তগী লম য়োম্থোক্লগা ফঙলকপা শেলনা মনাও থিরেনগী থবক্কী শেনফম ফাওবা পীদুনা থবক ওদর থোকহল্লম্মী।

বিরেন্না য়ুমদুগী থাংদোকখিবা খোঙথাং অদু অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্লরোইদবা খোঙথাং অমা ওইরমখি হায়বা পুন্নমক থিরেন অমদি মহাক্কী নুপী লৈস্নানা খঙলবা মতমদদি পেনদবদগী পেনদবনা মাইকৈ মরি কোইদুনা লৈবা হায়বদু ওইখি।

হায়রিবা ড্রামা অসিদা শক্তম লাংখিবা–লাংখিবীশিংদি বিরেনগী শক্তমদা এল খম্বা, প্রধান তোমালগী শক্তমদা এন জি নবকিশ্বর, থিরেনগী শক্তমদা কে ঐচ বিশ্বমিত্রা, থোইবগী শক্তমদা এন সোভরাজ, দোক্টর অমগী শক্তমদা প্রভাটচন্দ্র, মমান্নবগী শক্তমদা আরজুন, পুলিস ইনস্পেটরগী শক্তমদা বি আই চান্দ শর্ম্মা, কান্তোগী শক্তমদা এল ব্রজমোহোন, থাজমাম্বীগী শক্তমদা এম অঞ্জলি, লতাস্নাগী শক্তমদা ই জস্মিন, পুলিস এস আইগী শক্তমদা কে ঐচ নন্দিনি অমদি লোইদাংগী শক্তমদা ও সারমিলানি।

ড্রামা অসিবু মপুং ফহানবদা চাওরবা থৌদাং লৌরিবশিংনা ষ্টেজ অমদি লাইটতা এন রঞ্জিৎ, এস সুরচন্দ্রা অমদি এন ইবোহল, কষ্টুমদা ৱাই ইবোতোন অমদি এস সুরচন্দ্রা, মুজিক দাইরেক্সনদা ঐচ ইবোচৌবা, ওকেষ্ট্রাদা এম কুমার, প্লেবেক্তা সোরোলাতা, পব্লিসিটি অমদি সাউনদা পি ইবোহল অমদি আই সুরেন্দ্র, রোদ পব্লিসিটিদা কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্র, মেক অপ্তা জি জদুমাণি, রাগীনি, চন্দ্রিমা অমদি সনজিতা, প্রোমটরসশিংদি এস সঞ্জয় অমদি এন রজেন্দ্রোনি।

ড্রামা অসিনা হায়নিংলিবা নুংগী ওইবা ৱাফমশিং অদু মতাং চানা, মফম চানা ফোংদোকপা ঙমখিবা, অর্টিসশিংনা মখোয় মশা মশামক তৌরিবা শক্তম অদুদা লুপশিন্দুনা মতিং লৈনা শান্নখিবগী শক্তম, ৱাহৈ ৱাতনচিংবা খুদিংমক অফবা হায়বদুনা মাংদা লৈখিবনা ড্রামা অসি অফবা অমদি নুংঙাইবা ড্রামা অমা হায়বদু ওইখি। ড্রামা অসিনা কদায়ফাওবা নুংঙাইখিগে হায়বদু অয়েংবা অমা ওইনা শরুক য়ারুবা মতমদা অয়েংবা ঐগী ৱাখল অতোপ্পদা চাইহনখিদে।

ড্রামা অসিনা খোঞ্জেল থোক্তনা লোল্লিবা মরোলদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশিনবা ৱাৎলকপা, মসিদগী হেন্দোক্তুনা মী অমনা মী অমগী পুন্সিবু ইকায় খুম্নরক্তবা, পুন্সি অমগী ৱাহম্থোক লৈনরক্তবা, পুন্সি অমগী মমল লৈনরক্তবা অসি ঐ ইশাতগী খন্নরকপা অসিননি। মমা অমতগী মচা ওইবশিংগী মরক্তা করিগীদমক খেৎনবা ৱাখল লাক্তুনা তৎনাইদ্রবা মরি লেপ্পরিবনো ?

পুন্নমক অসি মতৌ করম্না কোকপা য়াবগে হায়না তুংশান্না য়েংলুবা তারগদি, নাইতোম হিংবসু য়াররোইদবা মীওইবগী মপোক্লা ইশাগীতা খন্নরকপা অমনা শেল চাবগী চৎনবী অসি লৈত্রবা মতমদা ওইথোক্কনি। মতমদুদা ইরমদম অসি অরংবা থৱানমিচাক অমগুম ঙাল্লোইদবগী মরম করি লৈবগে ? ইশাতগী খনবা অমদি শেল চানবগী চৎনবী অসিনা ঐখোয় মশেল মরক্তা অনেম–অৱাং হায়বা খল অমা লৈহনদুনা ইরমদম অসি চাওখৎপগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী লৈখা তাহল্লিবনি হায়রি 'ঈফুৎ" না।


মণিপুরগী তাংলবা লনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মণিপুর ড্রামা অসি ঙসিসু ইরমদম অসিগীদমক মতিং থোক্লা পুথোকপা ঙল্লি হায়বসি "ঈফুৎ" হায়রিবা ড্রামা অসিনা নৌহৌননা নিংশিংহনবা ওইনা থোক্লি।

অদুবু থম্মোয় অসিদা ফাওরিবা নুংঙাইজদ্রিবা অমনা করি মরমগীদমক য়েংবীনবা মীশিং য়ামদ্রিবনো, তাংলবা ফম্পাক অসিগীদমক মরি লৈনবশিং অমদি মীয়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা করিগীদমক মখোং শোম্বীদ্রিবনো হায়বসিনি।

ঙসি ফম্পাক অসিবু ইরমদম অসিগী শক্তম অমা ওইনা লৈবা ঙল্লিবসিদি লমসিদা থৱায় য়াওজবা, নুংশিজবা, খুৎথেকপা য়ারবা মীওই খরতননি হায়বসিদি হায়মনবা থোক্তবরা হায়না খল্লি।



## সুর মৈতৈ
















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*